**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-02-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৪-০২-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরগী লাঞ্জেন্নরিবশিংগী য়ুম লিশিং ৫ শানবা কেন্দ্রনা অয়াবা পীখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল অমদি চান্দেল জিলাদগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফংবা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) চহী ২৭ কী মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা নেসনেল রাউন্দ তেবল কনফরেন্স নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

----

**সিএম (এল)ঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমদি রুরেল দেভলপমেন্ট মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহানননা মণিপুরগী লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামগীদমক য়ুম লিশিং ৫ শানবা অয়াবা পীখ্রে। দেল্লিগী খোঙচত্তা হৌজিক মফম অদুদা লৈরিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন অমসুং লোসি দিখো য়াওবা কাংবু অদুনা মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহানগা উন্নবদা অয়াবা অসি

পীরকখিবনি। আই.দি.পিশিংগীদমক অখন্ননা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা পায়খৎকদবনি হায়রি। মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা কাংবু অদুনা দেভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ণ রিজন(দোনর) মন্ত্রি জিওতি রাদিত্যা শিন্ধিয়াগসু উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

সোসিয়েল মেদিয়াগী ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-উনবা অদুদা, মণিপুরদা মতমগা চুনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাং য়াওনা লম্বী থোং ফগৎহনবা, মহৌশাগী পোখোকশিং অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী হৈ শিংবশিং মফম চানা শিজিন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। লোয়নননা, অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মাইকৈ অসিদা ফংলিবা পোখোকশিংদা য়ুমফম ওইদুনা শেল থুমগী লমদা চাউখৎহন্নবা মীৎয়েং চংগনি হায়না মন্ত্রি জিওতির এম.সিন্ধিয়ানা থাজবা পীরকখি হায়রি।

জিওতির অদিত্যা শিন্ধিয়া উন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা মুখ্য মন্ত্রিগী কাংবু অসিনা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারামন য়াওনা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং মাংজোননা উন্নখ্রবনি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দেল্লিগী মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা মণিপুরদা ফুরুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে। নিউ দেল্লিগী সরদার পতেল মার্কতা লৈবা মণিপুর ভবনদা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা মপুং ফানা হঞ্জিন্নবা করম্বা থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বা হীরম অসি য়াওনা ফুরুপ মশেল অমগা অমগা থাজবা থমবগী মতাংদা খন্নখি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা নহাশিংদা শক্তি পীদুনা চাউখৎপা তংদু লৈতাবা অমদি মরোমদোম লেপ্পা ঙম্বা লমদম অমা ওইহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি। নহাশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা ৱারি শাবা অসিনা রাজ্য অসিদা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা শান্তি লৈবা অমদি পুন্না চাউখৎমিন্নবগী মাইকৈরোমদা চংশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ

হায়নসু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল অমদি চান্দেল জিলাদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফংবা ঙমখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা চকপী কারোং পুলিস স্তেসননা কোনবা টি.বোলোক অমদি এল মোলহোই খুল অনিগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফংখি। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা জি.থ্রি রাইফল ১, কন্ত্রি মেদ লোথোৎ গন ৩, শিঙ্গল বেরেল গন ২, লোকেল মেদ পোম্পী শেল ৩, পোম্পী গন ৪, লোকেল মেদ কর্বাইন ২ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খূৎলাইশিং ফংখি হায়রি।

অরোমদা, থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা খোঙজোম পুলিস স্তেসননা কোনবা তেন্থা ইরেল চীংদগী খূৎশু খূৎলাই খরসু ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা, এস.এম.জি কর্বাইন ১, বোল্ট এক্সন রাইফল ৩, এস.বি.বি.এল ২, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল ১ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফংখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লম্লাই পুলিস স্তেসননা কোনবা লম্লাই মমাঙ লৈকাই শামুদগী আইননা থিংখ্রবা লুপ কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি। মীওই অসিদগী এ.কে নোংমৈগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫০ ফংখি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

**দ্রগ (এল)ঃ**সেনাপতি জিলাগী টি খুলেনদা লৈবা চেকপোষ্টতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলমগা লোয়ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু অসামগী করিমগঞ্জকী খোলা পার্ট ৱানদগীনি হায়রি। মীওই অদুদগী হেরোইন পাউদরনি চিংনবা গ্রাম ৮৪০ রোমগী পোৎলম ফংখি। মসিগা লোয়ননা, মোবাইল ফোন অমা অমদি মহাকা থৌরকপা চাকা মরী পানবা বোলেরো গারি অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, ম্যান্মারদগী রাজ্য অসিদা পুশিল্লকপা লম্লক্কী হামেং পুশিল্লকপা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই অনি অদু ককচিং জিলাগী ককচিং ময়াই লৈকাই অমদি থৌবাল জিলাগী ফুন্দ্রেদগীনি। মখোয়না দি.আই গারি অমদা লম্লক্কী হামেং ২৪ হাপ্তুনা পলেল রোমদা লাকপগী লম্বীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থেংনখিবনি হায়রি। হামেংশিং অদুগা লোয়ননা ফারবা মীওই অনি অমদি মখোয়না শিজন্নরকপা গারি অদুসু য়াওনা ফোরেষ্ট বিভাগতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**ঈ.সিঃ** চহী ২৭ কী মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ.সি.আই)না শিন্দুনা নেসনেল রাউন্দ তেবল কনফরেন্স নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনরশিংগী ওইবা মীফম অসিদা চিফ ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেস কুমারনা সভাপতি ওইগনি অমদি ইলেক্সন কম্মিসনর অনি- ডা.সুখবির সিংহ শন্ধু অমদি ডা.ভিভেক জোসিগা লোয়ননা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনরশিং য়াওনা মখোয়গী লিগেল অমদি টেকিকেল এক্সপর্টশিং শরুক য়াগনি। মসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি ৩৬ কী চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসরশিংসু য়াওগনি হায়রি। রাউন্দ তেবল কনফরেন্স অসি ঈ.সি.আই অমদি ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনরশিংগী থবক্তা খুমাং চাউশিন্নবগী মতাংদা খন্নগনি। মরুওইনা কনফরেন্স অসিদা টেকোলোজিগী মতাং ঈ.ভি.এম অমদি ইলেক্তোরেল রোলগী মতাংদা কুপা খন্নগনি হায়রি।

**ইজরেলঃ** ইজরেলদা লৈরিবা ভারতকী এম্বেসেদর জে.পি সিংহনা হায়রি-ভারত অমসুং ইজরেল লৈবাক অনিনা ঙাকশেলগী ওইবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীনবগী থবক মখা চংথরি। মেক ইন ইন্দিয়া থৌরাংগী মখাদা ইজরেলগী কম্পনি কয়ামরুমা ভারত্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। ভারত্তগী হৌখিবা

ভারত মচা কয়ামরুম ইজরেলগী নাগরিক ওইনা লৈবাক অদুনা লৈরি। লোয়ননা, ভারত মচা কয়ামরুমসু লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা থবক তৌই। পুমমক অসি য়েংলগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইজরেলদা চৎপা অসি য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা খোঙচৎ অমনি। জেরুসেলমদা অকাশবানি পাডমীগা অখন্ননা উনবদা শ্রী জে.পি সিংহনা হায়-ভারত অমসুং ইজরেলগী থবক থৌরম কয়াদা তেংবাংনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন কয়া অসি য়েংলগা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি য়ামমক মরুওই।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরী ফিল্ম 'বুং' না বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন আর্টসতা পুৱারি শেমখ্রে হায়না- মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংদনা মণিপুর ফিল্ম বুং না লৈবাক অসিগী অহানবা বাফতা এৱার্দ ফংবা ফিল্ম ওইখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন অনিমক অমদি পোকফমদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙবা থেংনরে। লোয়ননা, পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা অতোপ্পা পাউচে খরদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবসু থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইনদা- অৱাৎপা মিনিষ্টর হাপচিনবগী থবক থিন্থবা য়ানা লৈরে। লোক ভবনদা খনগৎপা হৌরুরবা মান্দপ অমুক শিদোকখ্রে হায়না ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সি.এম ৱাই খেমচান্দনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা মণিপুরগী সেক্যুরিতি শেন্মীৎলোন ফগৎনবা ৱাফমশিং পুখৎতুনা তকশিনবা

লেপত্রি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেট অপুনবগী ওইবা অহানবা ইন্দিজেনস গেমস এন্দ কলচরেল মিটস হৌদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি- সনালৈবাক পাউচেদা ফোঙলি।

মণিপুরগী পাউমীশিং কেরলাগী কোচি ৱাতর মেত্রো য়েংবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা ফোঙবা থেংনরে। গানফিউ মেলদসু পাউ অসি অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

লৈখিদ্রবা এম.এল.এ বুংজাগিন বালতেগী হকচাং চুরাচান্দপুর য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা - তামেংলোং তাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

অকনবা চেকশিল থৌরাং মরক্তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু হাই স্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এগজাম ২০২৬ হৌখ্রে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইন্দিয়াদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামা মায়োকরিবা রেসিজমগী থৌওং লাকশিন্নবা এন্তি রেসিজম লো শেন্বা মথৌ তারে হায়না এম.পি.বিমোলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**